# অঙনবা মণিপুরগী লুহোংবা অমসুং মসিগী চৎনা কাঙলোন

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

মালেমদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা মীওই কাঙলুপ খুদিংমক্না য়াম্না লুন্না লৌজবা, অদুক্কি মতিক মরু ওইবনি খঞ্জবা পুন্সি তাঙ্ককশিংগী মনুংদা লুহোংবা হায়বা থৌরম অসিসু অমনি। কাঙলুপ কয়ানা খুন্দাবা মশাগী তোঙান তোঙানবা লাইনিং লীচৎ লৈজবা ইরমদম মণিপুরদসু অদু মঙায়, মৈতৈশিংনসু থৌরম অসিবু অদুক্কি মতিক ইকায় খুম্নমা, কীনা লুনা লৌজৈ। ঐখোয়না মীরোন তারকপদগীনি খৃষ্টান অমদি ইস্লাম লাইনিং চৎপা কাঙলুপশিং নত্তবা য়েলহৌ লাইনিং নত্রগা হিন্দু লাইনিং চৎপা মৈতৈশিংগী লুহোংবা মখল অনী অহুম চৎনদুনা লাকখিবসি। হৌজিক হৌজিক মপুং ওইনা চৎনরিবা মওংগী লুহোংবা অমদি মাঙ্গোল লুহোংবা হায়রিবশিং অসিনি। হায়না-শীংনবা নত্তবা য়ুম্বানমিন্নগদৌরিবা নুপা নুপী অনী অদু মশা মশা য়ানরদুনা চেন চোংবা মতাংদা মাঙ্গোল লুহোংবা (নুপা ময়ুম অমদি নুপী ময়ুম অনীমক্কী অহল লমন য়াওনা মীওই খরা তিল্লগা নুপী ময়ুমগী মাঙ্গোন্দা নুপী নুপা অনী অদু কুন্দো পরেং হুক্করবা মতুংদা নুপা ময়ুমদা থিনবনি) হায়নসি তৌনবসু য়াওই। করিগুম্বা মতমদা মশা শোকপা হায়দুনা নুপীগী অহল লমন অনী অহুম নুপা ময়ুমদা চৎলগা খুরুম খোঙ্গায় তৌহল্লগা লোইশিল্লবা মতুংদা মপোৎ মচৈ তম্বগা লোয়ননা লৌখৎপগী থৌরম পাঙথোকই। অতোপ্পা লমগীদি কমদৌরম্বনো মুন্না খঙজদ্রে, ককচীংগী ওইনা থেংনজরকখিবদুনি পাউদমজরিবসে। হায়রিবা মখল অনী অসি অয়াম্বনা পাম্নবা ওইদে মতমদুদদি। ঐখোয়গী ইমুং মনুংদা মাঙ্গোল লুহোংবা অমদি মশা শোকপা হায়রিবা অনী অসিদা লোইশিনবা অনী অহুম য়াওখি। অহল লমনশিংসু ইপেন পেন্নখিদে। য়ুম্লোন কৈরোন্নবসু করি করিনো ঙাঙনৈ। ইমাখোয়না হায়বদা হায়ন শীংনবা নত্তবীদা চেনবগীনিসু হায়না। ইমুংদু লায়রমনবনা লুহোংনবা শেল লৈতবগীনিসু হায়বগুম তৌই। অঙাংনি, খঙননবসু হোৎনখিদে। ঐখোয় খরদি থৱায় য়াম্না নুংঙাইখিদে, মরমদু তোঙাল্লি। লুহোংবগী মাইক খোংদবা, কবোক মরাং কায়না চাবা ফংদবা, লুহোংবা হয়েংনি হায়বগী নুমিদাংদা লৈশাবী ময়ামগী ওইবা অমদি মপাম চাক্কৌবগী চাক্লেনশিং নাম্থোকখিবা, ইমুং মনুংদা থবক থোক্লবনিনা লাইরিক পাদনা কোয়চেন চেন্দুনা লৈরবসু ইমানা চৈবীদবনচিংবা খুদোং চাবা ময়াম অমা নাম্থোকখিবদুগীনি। শাগৈগী ইচে অমা মাগী নুপাদুগা খাইনরকখি, ঈ নাই তানবফাওবা য়াওনা ৱাথোক লাম্থোক থোকখি। ইমাখোয়না অসুম ঙাঙনবদা ধোন বেন য়াওনা দোলাই তোংদুনা, পুং শেনগা লোয়ননা সঙ্কিত্তন শক্লিবা মান্দপ ময়াইদুদা ইতৈদুনা লুহোংবৈ ফিজোল লৈতেংদুনা লুহোংফান্দা চীং লেম্না ঙাম্থোইখিদবা, ইচেদুনা পোৎলোইনচিংবা লৈতেং থোল্লদুনা তরেৎলক কোয়রগা লৈ চাইবনচিংবা তৌখিদবগীনি হায়। অহল লমনশিংনা লীবিরম্বগী মতুং ইন্নদি ঙসিদগী চহী মরিফুমুক্কী মমাঙ অদুৱাইফাওবদা হায়না শীংনরবসু শেল থুমগী ফিভম ফরবসু মপোক ময়ী অফ-ফত্ত য়েংলুবদা অখঙ অহৈশিংনা লুহোংফান লৈতে হায়রক্লবদি য়াম্না শম্না লোইশিন্নরম্মী, কনাসু করিসু হায়নদমাল্লে। হৌজিক মতমগী অসুম্না ৱারোইপোৎ, হৈজিংপোৎ পুবা, অউনপোৎনচিংবা হিদান্নবগী ৱাখল্লোন্দি লৈরমদবজ াৎনি। ঙসিদি চেনগেরা চোংগেরা, ইনাক খুনবা, লায়রবা খায়দে মৈতৈগী ওইনা মখ্বাংদা পোৎলোই শেত্তবী, লুহোংফান ফমদবা নুপা থিবদা খরা ৱারপ তৌরগনি। কনাগুম্বা য়েলহৌ লাইনিং চৎপা ইশাগী নাৎ কলচরবু নুংশিজবা খরদি লুহোংবদা পোৎলোইগী মহুত্তা ফনেক ময়েক নাইবী/মপান লোনবী শেৎনবসু য়াওই, করিগুম্বদা পেনা খোংবসু চৎনরক্লে।

অঙনবা মতমগী মণিপুরদা মনীং তম্না লৈরম্বা তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগী মরক্তা চারৌ মৌরৌনবগী মরী থম্নরম্মী হায়বগী খুদম পাম্থোইবী খোঙ্গুন, থৱাম্থাবা হিরান্নচিংবা লাইরিকশিংদগী ফংবা ঙম্মী। তোঙান তোঙানবা মনীং তম্বা কাঙলুপ ওইরজবসু লোন ফাওনরম্মী, চৎন লোনচৎ, লুহোং খোংদোংবগী থৌরমদা খেন্নবা লৈরমদে, ইমান মান্নরম্মী। পাম্থোইবী খোঙ্গুন্দা লাইরেন তাউরোইনাই অমসুং লাই নামুংবীগী মমোম মবুং তরেৎকী মখাদা নাইতোম শাৎচবী পাম্থোইবীবু কংলৈ নিংথৌ খাবা শোকচ্রোংবা অমদি মনু তেকঙাগী মপারি তরম খোইনুচাদা থাজ য়োঞ্জদুনা লুহোংবগী থৌরম করম্না পাঙথোকখিবগে হায়বদু ময়েক শেংনা ইরি। মসিদসু নত্তনা থৌৱান থাবা হিরান্দসু মৈতৈ নিংথৌ থৌৱাম্থাবগী মমোম চীংখৈ লনউনথাবীবু খুমন নিংথৌ পুন্সিবদা অমদি খুমন নিংথৌ অসিমক্কী মমোম খুমন চনু শম্ফাবীবু মৈতৈ নিংথৌ মশামক্তা থাজদুনা লুহোংখিবগী মতাং য়াওরি। হায়রিবশিং অসিদগী অঙনবা মতমদা লমদম অসিদা চৎনরম্বা লুহোং খোংদোংবগী চৎন কাঙলোন খরমখৈ খঙবা ঙম্মী। ফনমক মনীং তম্বা পাম্বী নিংঙোল অমা ওইদুনসু ময়ুম মকৈ পানবগী মতাং য়ৌরকপা মতমদা পাম্থোইবীনা মাগা হান্নদগী খঙন চান্নজরকপা নোংমাইচীংদা পানবা কাইনৌ চীংশোম্বা নোংপোক নিংথৌগীদমক লেপ্পা ঙমজখিদে। মশাগী অপাম্বা অনীংবা হংবীরমদে, কংলৈ নিংথৌ খাবা শোকচ্রোংবগী মনাই ষণশেনবা ময়াঙ খোয়দোঙ ষণশেনবা অমসুং খোয়দোঙ থোংদা লেপ্পা অনীনা ষণ শেল্লিঙৈদা পাম্থোইবীগী মবুং তরেৎকা থেংনরম্মী। মতম অদুদা পাম্থোইবীগীদমক হৈ-লৈ, শেল য়াওনা মনকৎ পুদুনা হায়জরনবা কংলৈ নিংথৌ খাবা শোকচ্রোংবদা পাউদম্লুনবা মবুং তরেৎনা ষণশেনবা অনীদুদা হায়রম্মী। মসিগী মমাঙদা নিংথৌ শাপাইবনা মনাই লৈচোল হাওরাবা থারক্তুনা মাগা য়ুম্লেপ চারা তম্মিন্নসি হায়বা পাউ পুরকখি। অদুবু শাপাইবনা য়োৎকি থোং শাবা ঙম্লোইদবনা পাম্থোইবীনা অয়াবা পীখিদে। অসুম্না মপা মপল মবুংনচিংবগী নাকোং য়ৌদ্রিঙৈ মশামক্তা হকথেংননা লাকপা মতাংদদি অপাম পামদ ফোঙদোকপগী নীংতম্বা লৈরবসু য়ুম্বান লম্বীদা খোঙদাবগী মতাং য়ৌশিল্লকপদদি ইমুংগী অহল লমনশিংনা নিংঙোল ওইবীশিংবু থাজ য়োঞ্জবগী পনখৈদি নাম্থোকপা ঙমহনদবগী ময়েক লারবা খুদম্নি।

মমাঙঙৈদা চৎনরম্বা লুহোংবগী থৌরম পরেংগা মরী লৈনবা মতাং খরা থমজরি। অহানবদা খাবগী মনাই মৈনম অতোনবনচিংবা শাগৈ নাতৈ ইমুং মনুংগী মীওইশিং হায়জবগী মনকৎ পোৎলমগা লোয়না পাম্থোইবীগী য়ুমদা লাক্লম্মী। মনকৎ পোৎলমশিংদি কোল্লিং কাদবা অকায় অতোই য়াওদবা শেল ময়েক শেনচাউ, মচী ময়া শোয়দবা ষঞ্জাউ মমৈ চোনবা পাবোৎকা লোয়ননা অতোপ্পা ষণ ময়াম, পাম্থোইবীগীদমক পোল্লাং চাকপোত্তা লা থারগা হাপ্পা পোৎলম, মপা নিংথৌ লাইরেন তাউরোইনাইগীদমক হৈজিং খরায়দা হাপ্তুনা শেল্লবা পোৎকৎ চৈকৎ, অথুম-অহাও, হৈ-লৈ, লৈরাং নাচোম, চেঙ, থুম,ঙাংঘ পরেং, খরুংনচিংবনি। মতিক মগুন লৈরবা মপা ইবুংঙো অমদি মবুংশিংগী য়াথং হীক্তোকপা ঙমজদবী পাম্থোইবীসু খাবা ময়ুমদা থিনবদু য়ারম্মী। কোল লিক, ফি-রোল শা-ষণ, কৈরুংবা, ষণ শেনবা মী, মীনাই মীশন, ফি শাবদা চঙবা মচাকশিংনা অউনপোৎকী মরু ওইবা পোৎলমশিং ওইরবসু পাম্থোইবীগী অপাম্বা মতুং ইন্না মহাক্কী অউনপোত্তি চাক, শা থোংবা অমসুং য়ু ওইনা উল্লম্মি। পাম্থোইবীবু খাবগী ময়ুমদা থিল্লক্লবদা মৈরা চাউনা থান্দুনা, ফিঙৌ থারগা মথক্তা কবোক চাইদুনা মনেম্না মাবু কোল্লদুনা মকুবোক অমসুং খাবা কাংবুনা মাবু নুংশিনা ওক্লম্মী। পাম্থোইবী থিল্লকপদা পুরকপা চাক, শা থোংবা অমসুং য়ু অদু পীজ পিথক তৌদুনা অরাকপা মীপুম খুদিংমকপু মবুক পেলহনখি। চৎনবীগী মতুং ইন্না মৌ থিল্লকপগী পিজ পিথকপসি নুপা ময়ুম্না তৌনরম্মী হায়বগী খুদম ফংই। খাবা শোকচ্রোংবনা পিজ পিথকপগী থৌরম অদু পাঙথোক্তবনা মরম ওইরগা খাবা কাঙবুদু ইকাইমন্দুনা অহানবদা চাফম থকফমদা চঙবা ঙমদবগী ৱাফম পল্লি। থৌৱাম্থাবা হিরান্দা ইরিবগী মতুং ইন্নসু নিংঙোল ওইবীশিংগী য়ুম্বান কৈবানবগী থবক অসি মপাগী অনিংবা অপাম্বনা লেপ্লম্মী হায়বসি ময়েক শেংনা উৎলি। কংলৈ নিংথৌ মৈদিংঙু থৌৱাম্থাবনা খুমন নিংথৌ অদোন পুন্সিবগী মমোম খুমন চনু শম্ফাবীবু লুহোংদুনা মাগী তালোই ওইরগে খল্লম্মী। মাগী অনীংবা অদু ফোঙদোক্লনবা খুমন মরম্বুশিংবু খুমন নিংথৌগী মফমদা পাউখোল্লোই ওইনা থারম্মী। মৈতৈ নিংথৌগী অনীংবা অপাম্বা অদু তারবা মতুংদা ৱাফমদু য়ারগে, মৈদিংঙু থৌৱানথাবগী মমোম চীংখৈ ললউনথানবীসু মাগী তালোয়শিংদা চল্লগে হায়না খুমন নিংথৌ পুন্সিবনা পাউ থারক্লম্মি। ফোঙদোক্নরিবা ৱাফমদু য়ানরবা তুংদা লৈমা কুচু কোইবীনা লুচিংদুনা খুমনগী মীওই খরনা মনকৎ পোৎলম পুরক্তুনা হায়জবগী থৌরম পাঙথোক্লবা তুংদা লুহোংদুনা মৈতৈ চনু চীংখৈ ললউনথানবীবু অওং অউন তমদুনা খুমন নিংথৌদা থিল্লকখি। মতৌ অসুম্না খুমন কংলৈদা থিল্লকখি।

মথক্তা পঞ্জখিবা লুহোংবগী থৌরমশিং অসিদা লৈমশিংদা চল্লগদবীশিংগী মপুরোইবা ওইগদবশিংনা লুহোংবগী থৌরমদা নুপী ময়ুমদা লাকপগী ৱাফম পন্দে। অদুবু তুতেংলোন কৌবা লাইরিক্তা ইরিবগী মতুং ইন্না কংলৈ নিংথৌ মৈদিংঙু তাওথিংমাংগী ময়াম্বা য়োইমোংবনা মচানুপী লৈত্রবসু লৈ হায়না নমথাক তৌদুনা নুপীগী ফিজোল শেত্তুনা সোরারেলগা লুহোংবগী থৌরমদা হায়জ চৎচবগা লোয়ননা হৌনবী মনকৎ পোৎলম পুরক্তুনা সোরারেন মশামক মাগী তালোই ওইগদৌরিবীদু লৌবা লাক্লম্মী। লুহোংবগী থৌরম অদুদা সোরারেন অমদি য়োইমোংবনা শাবা মচানুপীগা লাইগী লাইমাঙদা লেপ্তুনা পাঙথোকই। মতৌ অসুম্না অঙনবা মতমগী লুহোংবগী তোপ তোপ্পা মশক অমা লৈজরম্মী। অদুবু নপী ওইবীশিংনা মনীং তম্না পুন্সি খোঙলোই খঞ্জবগী হক অদু পীবীরমদবগী মমি ফজনা তারি। মতমগী মতুং ইন্না অহোংবা খরা লাক্লবসু য়েলহৌঙৈদগী লৈজরক্লবা মচৎ মওং খরদি মাঙখিদনবা হোৎনফম থোকই। মীগী মতৌ তল্লিবরা খঙদে, হরাউবা ফোঙদোক্লিবনি হায়দুনা নুপী থিল্লকপদা বোম্বুলারা নোংমৈরা খংপ্রেক খংবমখৈ কাপ্পদু ইথৌবুদি নত্তে, শাউদি শাউনিংখ্রেদা! ●

## য়াইফ পাউজেলদি পীনরক্লি, খুন্নাইসিগী য়াওলদি কদোমদা?

লেপ্পা লৈতবা মতমগী খোঙচৎ তুংইন্না অনৌবা চহী ২০২০ লাক্লে। অৱা নুংঙাইগী কাউঙল্লরোইদবা থৌদোক-ৱাথোক কয়াগী ৱারীগী মপাউ তল্লম্লগা চৎখ্রে কুমজা ২০১৯। অনৌবা চহী কয়া লাকখ্রে, অরিবা চহী কয়া চৎখ্রে, য়াইফ পাউজেল কয়াসু পীনখ্রে। মতমগী খোঙচৎ তুংইন্না ওল্লক্লিবা

- কাংজম হেমন্ত -

খুন্নাইগী য়াওলদি চাওখৎপগী মায়কৈদ্রা নৎত্রগা মমি শাল্লক্লবা মায়কৈদ্রা হায়বদুদি খনবদা চমম্নবা অমদি পোক্লি। চহী অমগী মথংদা চহী অমা মথং-মথং লাক্লিবা খোঙচৎ অসিগা ইরোইননা মীওইবগী নুং-পান অনীমক্কী মশকসু অসুম অসুম ওল্লক্লি। ওল্লক্লিবা নুং-পানগী মশক অসিনা ৱাখল খনবা ঙম্বা মীওইবগী ফজরবা ফীদম অদুদি মমি শাল্লক্লি, তপ্না তপ্না মাঙশিল্লক্লি। ৱাখলনা খলহৈদ্রবা থৌদোক ৱাথোক কয়ানা ঙসিদি মীওইবা খুন্নাইগী মরক্তা তত্তনা থোকপা অসুম অসুম হেনগৎলক্লি। মীওইবা হায়বা জীব পানবা খুদিংমক্তগী ৱাখলদি খনবা ঙম্বা হায়বা মীংথোল খক্তা ঙাইরবা ৱাখলদি খনবা ঙমদ্রবা কয়াগী তায়ওন্নরবা থবক, থৌওং, থৌদোক কয়ানা চুম্না চুম্না খোঙচৎ অমগী পরিংদা চৎচরিবা চহীশিং অদুগী পুৱারীগী লাচল ওইরক্লি। ঙসিগী তাইবঙপানগী মতমগী খোঙচৎতি কায়দে, অদুবু মীওইবগী খোঙচৎতি কাইথরক্লি। খোঙচৎ কায়দ্রিবা মতমগী পুংলোনগী তাম্থাদা মীওইবগী খোঙথাং, খুন্নাইসিগী খোঙচৎনা অফবা মায়কৈরোমদা লাকপা ঙমদ্রবদি অচুম্বা, ফজবা, নুংশিবা, মীনুংশিগী মশক করম্না উবা ফংগনি, করম্না চাওখৎপা খুন্নাই অমগী মায়ওন লেপ্তুনা শান্তি লৈবা ঙমগনি।

অনৌবা চহীনা লাক্লগা মীওইবা ঐখোয়গী পুন্সিদা চহী হাপচিন্দুনা অশিবগী লম্বীদা নকশিল্লক্লিবনি হায়বদুদি কনানসু থৌশানদে, মফম কয়াদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী ঈপাক্তা তাওদুনা হরাও তয়াম্বা, থাবল চোংদুনা কুম্মৈ হরাও কয়া পাঙথোক্তুনা বম্বুলা কয়া থাদুনা অনৌবা চহী লাকপগী হরাও তয়াম্বা পাঙথোক্লরি। খোঙচৎ কায়রবা খুন্নাইসিদা মখে লাংলগা খেনম নম্মী, তুংদা করি ওইরক্কনি হায়বদুদি কনানসু খল্লুদে। ঈরাংগী কৈথেল লুকমাইদা শান্তিগী অমৃতা কৈদৌঙৈ ফংগদবা নত্তে, ঈরাংগী কুয়োম্না য়োমদুনা শাগৎখিবা মঙলানন্না পোলোইদা অফবা ফলদি ওইফম থোক্তে, ওইরক্লিবা খুন্নাই অসিগী ফীভম অসিনা। মসি মতম্নসু নত্তে চহীনসু নত্তে, মীওইবা খুন্নাইসিগী খোঙচৎনা শোয়রকপদগীনি, মীওইবগী থম্মোয়, পুকচেলনা নুংপাল ওল্লকপদগীনি, অফবা মচৎ অমত্তা য়াওরক্তবদগীনি। লেপত্রবা সভ্যতাগী য়াওলদা অপাম পামদগী থৌদাংশিং শান্তিগী পুন্সি হায়বসি মীওইবনা শেমজগদবনি, ৱাখল লৌশিং চাউরবা মীওইবনা ঙসি চাওখৎপগী ফিরাল হাইরগা খোঙনা মংফমগী লম্বীদা চৎলি, চীন্না শান্তিগী খোল্লাও লাওরগা থম্মোয়দনা য়েংথীনবগী থাঙ হাইনরি, চীনবান্দনা খোইহি তৈরগা থম্মোয়দনা হু ফুম্নরি, মীগা মীগগী মরক্তা অনেম অৱাংগী থাক খায়দুনা খেন্নবা থমদুনা তোল্ল-তারবশিংবু চীংখৎপীবগী মহুত্তা মরেংজুমদা তোংদুনা থাক ৱাংবা মীওইশিংনা হেন্না ৱাংনবা হোৎনরি। মোরেল ভেল্যু মাঙথরকপদগী মীওইবনা তমথীবা অসুম অসুম হেল্লক্লবা, থকসি খাসি চৎন-লোনচৎ ফিজেৎ-চাকচেৎ মাঙশিল্লক্লবা, ৱর্ক কলচর মাঙশিল্লক্লবা, নুপী অঙাংদা নত্তবা মীৎয়েং য়েংবা, পোৎ চৈগী মমল অতিয়া পক্লা ৱাংখৎলকপা, প্রাইভেট স্কুলশিংগী চাকথাক হুন্নবা হোৎনবদা মীয়াম পূম্নমক শেল থুমগী অৱাবা মায়োক্লরবা অমদি লৈবাক্কী ওইবা শেল থুমগী ফীভম ফৎলক্তবা মতমসিদবু, অনৌবা চহী কয়া লাক্লবসু অফবা পাউজেল কয়া পীনদুনসু কদায়দগী শান্তিনো, কদায়দগী নুংঙাই য়াইফবনো লমদমসিদা পুরক্কদবা? মীওইবা ঐখোয়গী অশেংবা অচুম্বা পুন্সি খোঙচৎ মীওইবা ঐখোয়না শেমজগদবনি, খুন্নাইসিগী অফবা মায়ওন খুন্নাইসিদা লেপচগদবনি। অনৌবা চহীনা খুন্নাইসিগী মায়ওন চুমহনগদবা নত্তে। ●

## এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

### চীফ মিনিষ্টরগী গ্রীন মণিপুর মিসনগা মরী লৈননা পাঙথোকপা য়ুনিটি ম্যুজিকেল কন্সর্ত

ঈকায় খুম্নজরিবা এদিটর,

কাঙলুপ, জাৎ-বিজাৎ, ধর্ম্ম অমদি পোলিটিক্স-পূম্নমক অসিগী ৱাংমা লানবা হীরমনি; ''ইনভাইরনমেন্ট''। মসিনা ওইবা তাই - হৌখিবা দিসেম্বর ২৪, ২০১৯ লৈবাকপোকপা নুমিত্তা পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ভৈগ্যচন্দ্র ওপন এয়র ঠিয়েটরদা, চীফ মিনিষ্টরগী গ্রীন মণিপুর মিসনগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা ম্যুজিকেল কন্সর্তকী মমিংদা 'য়ুনিটি' হাপচিন্দুনা 'য়ুনিটি ম্যুজিকেল কন্সর্ত' থোনখিবদু। উ-ৱা, অশং-অমান য়োকখত্তুনা ইনভাইরমেন্ট ঙাক-শেনবগী ৱাফম লাকপদা কাঙলুপ জাৎ-বিজাৎ, ধর্ম্ম অমদি পোলিটিক্সকী ওইবা খেন্নবা পূম্নমক তুংওইনদুনা ''ঐখোয় পুনগদবনি'' হায়বা পাউজেল লোয়নবা ঈশৈ নোংমাইগী থৌরমনি। অসিগুম্বা ৱাহম্থোক লৈখ্রবা থৌরম অমা শীনবীবগীদমক মণিপুর লৈঙাক্কী ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট, দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরনমেন্ট লোয়ননা হ্যুমেন রিছোর্স এন্দ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন অমদি শক্লাইরবা শৈশকপা স্বামীকুমারগী মহৈরোয়শিংবু থম্মোয় শেংনা থাগৎচরি। এন্টরটেনমেন্ট ঙাক নত্তনা ঈশৈ নোংমাইনা সোসল ইশ্যুদা মায় ওনশিল্লকপসি মতমগী দাবীনি।

নুমিৎতুগী ঈশৈশিংগী মরক্তুগী ঐঙোন্দা য়াম্না নুংঙাইনা থোকখিবদি মুস্লিম ইচিন-ইনাওশিং অমনা (মিং খঙজহৌদ্রে, খঙননবা হোৎনজরি) শকখিবা উ-ৱাগী মতিক মগুন শৈথাবা ঈশৈ অদুনি। এভরগ্রীন সিঙ্গর, ইরমদম মণিপুরগী মায় ওইরিবা ডা. হামোম নবনা মহাক্না শক্কদৌরিবা ঈশৈ অদু ওনরেবল চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেনদা কৎথোকপা ঈশৈনি হায়রকপদা - করম্বা ময়েক্কী ঈশৈবু ওইরিগদবা খনখি। অসুম্না ৱামাঙ য়াল্লবা তুংদা শৈশকপনা শক্লকখিবনি; ''ৱাদুনতা লাক্লবা ঐনি, ঐ চিংনদে অনৌবা চৈনা''। ঈশৈ অসিনা ইশ্যু অমগী মথংদা অমা মায় পাক্লা থেংনরিবা ওনরেবল চীফ মিনিষ্টরগী উয়খ্রবা, হনবা নাইদবা থৌনা লিংজেন অদু নীংশিংহল্লি। মীয়ামদা থৌনাগী ইনোৎ হাপ্পীরিবা শৈশকপবু ইকাই খুম্নবা উৎচরি, থাগৎচরি। অবোক পীশক্কী খোঞ্জেল মতৌ তমদুনা উ-ৱা, অশং-অমানগী মতিক-মগুন মীয়ামদা খঙহনখিবা লীলারোই ইবেম্মা অমদি কো-এক্টরগী দাইলোগনা মীৎয়েংলোইশিংবু নোক্ল-নোক্লা ৱাখল খন্থহনখি। কলচরেল এক্তিভিষ্ট ডা. এম নরগী ক্লাসিক ওইরবা, বেলেদ ওইনসু পুথোকখ্রবা ''প্রকৃতিনা তেংথাবা'' মিংথোনবা ফজখ্রবা শৈরেংনি। শৈরেং অসি থীখিবী চীফ মিনিষ্টরগী গ্রীন মণিপুর মিসনগী ব্রান্দ এম্বেসেদর বেবী ভেলেন্তিনা এলাংবমগী পার্ফোর্মেন্সসু ফজখি। হোম ত্যুতর অমা ওইনা য়ুমদা ভেলেন্তিনাগা ফম্মিন্নদুনা রিহার্সেল তৌবদা ঐ ইপেন পেনখিদে (শান্নরিঙৈ চীনফা ফজনা পুদবগী)। অদুবু মীয়াম মমাঙদা থোরকপদদি অরৎপা অমত্তা য়াওদনা, য়াম্না ঈং-তপ্না থম্মোয় ফুক্না তেংথাখি। ৱেল দন, কিপ ইত অপ, ভেলেন্তিনা ! নহাক্কী মীৎলুদগী শীন্থখিবা পিরাং লেম্না খক মাঙলোই।

*অদোমগী - বীরমঙ্গল পুখ্রম্বম*
*(বেষ্ট তিচর এৱার্দি)*
*ককচীং খুলেন পাজি লৈকায়*

## মরোল থোকপা লাই




## চিঠি অমতং

দধৌ নুংঙাইরিব্রা? মফমদুদা অৱাৎপা লৈতব্রা? নৎত্রগা মোমোন নোক্তুনা পূম্নমক পেম্থোকপা নতৌ ওইরিব্রা? হংলক্লরোইদব্রা করম তৌরি হায়না নহাক য়াওদনা? নুংঙাইরি হায়খোরা থৌগল্লোন ওইনা। করম্না তমসিগে শাংলবা মতমগী ৱারীসে। করম্নবু লোইশিনসিগে ৱাহৈ অমা অনীদনা। পেন্দবদি কোঙ্গাইনি, অৱাৎপদি লিশীংনি, উবিদ্রবদা নহাক্না... তল্লসিরা ঐহাকসু মোমোন নোকপদো। ফাওরমগনি খল্লি থম্মোয়গী অৱাবা, কপ্পমগনি নীংই নদোম মফমদুদা, য়ানীংলল্লোয় থাজৈ মপু মহাক্কী য়াথংদো। অদুবু হিকতোকপা ঙমদবা মহাক্কী য়াথংনি।

দধৌ, মসিদি তাইবঙ অসিনা লৈরিবমখৈ কোকপা ঙল্লরোই। নুমিদাং অথেংবদা থোকপা থৱাম্মীচাক লক্তে য়েংলকপরা? হংনীংই তত্তনা নুংঙাইরিব্রা মফমদো? মীওইবা মপোক্তি অকাউবা নাই হায়নৈদো অদুনা করিগী কাউবা ঙমদ্রিবা ঙসিসু নশুনা। কুমজা য়াম্নক্লগা নীংশিংবা হেল্লক্লি দধৌবু।

উনীংলমগনি খল্লি নশু ঐখোয়বু, খল্লমগনি খল্লি লমজিং লমতাকপীনবসু লৈরম্লরোই হায়না নৎত্রগা দধৌ অদোম মায়কৈদা অনৌবা নুংঙাইরবা পুন্সি অমা মফমদুদা ফংলদুনা ঐখোয়বু কাউরগে খল্লবরা? অদু ওইরবদি দধৌগা হৌজিক মফমদুদা লৈমিন্নজবা ফংলিবা মখোয়বু ঐনা থম্মোয়নুংদা কল্লকচৈ। অচিকপ্তবু পামজখিবা নহাক্তি তাইবঙ মীৱা মৈশা খাঙবা ঙমদবনা চৎলিব্রা তহ-তহা। নোংমতা ওইরবসু পেন্দবা নুংঙাইতবা হায়বিরখো, পেঞ্জগে পূক্লিংসে দধৌগী য়াথংনি খন্দুনা।

ৱাহং অমত্তা হংজগে, ইরিব্রা হৌজিকসু মফমদুবু শৈথাদুনা ঈশৈ কয়া, শৈরেং কয়া মহৌশাগুম। নৎত্রগা থাদোক্লব্রা পামজনা খঞ্জখিবা শিন্থাদো পুন্সি লোইরে খন্দুনা। তাকপীরখো ঐখোয়বু তম্বীরখো অমুক হন্না তাইবঙ পুন্সি উবা হৈত্রিবা ঐখোয়বু, য়েংহনবীরম্মু মহৌশাগী ফজবা, খাংবা হৈহনবীরম্মু অৱাবা। হংখিনি তত্তনা, নুংঙাইরিব্রা মফমদো? দধৌনা পামজনা পাজরম্বা লাইরিক কয়াসু নহাক লৈত্রবদা তুফক-তুফাই চন্দুনা নঙবু লাকপা ঙাইরিয়ে। দধৌবু নীংশিংবদা ঐগী কা মনুংদা থেৎলিবা নোকফেৎ তৌবা ফোটোদু নত্তনা অতৈ করিসু লৈতে। দধৌগী মফম অমদি ইহাঙ-হাঙনা লৈহৌরি, তুমিন্না কপচবা নত্তনা কনাদদি ৱাকৎকনি। নহাক য়াওদবা মফম অসে ইহাঙ-হাঙই, ইচিক-চিকই। পিক্লিঙৈদা থম্মোয়দা অদুক নুংশিবা হাপ্পীরল্লগা করিগী অদুক থুনা থাদোক্লল্লি। পীবিরম্বা য়াদব্রা মতম খরদং ঐখোয়গীসু নুংশিরবা দধৌগী থৌগল ফংজনবা নৎত্রগা ঐখোয়গী ইফমদা করম্বা চাংয়েংনো? কাংগী মতম য়ৌরক্লগা দধৌবু য়াম্না নীংশিংই। নুমিদাংগী নুপী ময়াম জয়দেপ চোংবদা অহলশিংগী ফম্ফমদা ফল্লগা দধৌনা থৱায় তানা য়েংজবদো হন্দক্তি ইহাঙ-হাঙনা লৈরম্মী।

অরোইবা ওইনা নশুনা হায়জনীংবদি, দধৌনা চৎলম্বা পুন্সি লম্বীদা নতুং ইন্দুনা চৎপা ঙম্বা ওইজগে। অরোইবদা দধৌনা পামজনা শেমগৎলম্বা লোইশিনবদি ঙমখিদ্রবা থৌরম কয়া মপুং ফাহনবা ঙম্বা নশুদা থৌজাল পীবিয়ু। পোক্লবদি অমুক হন্না মীওই মপোক্তা মতম কুইনা ঐখোয়গী নাক্তা লৈবীয়ু। ●

**নহাক্কী নশুনুপী - নম্রতা বাচস্পতিময়ূম**

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।